# সুপ্রিম কোর্টনা ট্রান্স জেন্দরশিংবু থার্দ জেন্দর ওইনা শকখঙখ্রে



**নিউ দিল্লি, এপ্রিল ১৫ ঃ** ট্রান্স জেন্দরশিংবু সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি শিংথানিংঙাই ওইরবা রায় অমা ওইনা তোঙানবা কাংলুপ অমা ওইনা শকখঙখ্রে। লোয়ননা মখোয়বু সমাজ অসিনা চপ মান্নবা মওংদা য়েংগদবনি হায়না ফোংদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা য়াথং অদু লাউথোক্লদুনা হায়খিবদা, লৈবাক অসিদা ট্রান্স জেন্দরশিংবু তোখায়না থম্বীবা অমসুং মীওৎ-মীনৈ চখরিবা অদুদা সরকারনা চপ চাবা থবক লৌখৎকদবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

ট্রান্স জেন্দরশিং অদু সমাজ অসিদা হন্থনা লৈরিবা কাংলুপ অমনি। সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস কে এস রধাকৃষ্ণন অমসুং জষ্টিস এ কে সিক্রিনা সেন্টর অমসুং ষ্টেট সরকারশিংদা খঙহনখিবা ৱাফম অমদা ট্রান্স জেন্দরশিংগী ৱাফম অদু মেদিকেলগী ওইবা টার্ম অমা নত্তে। মখোয়দা চপ চাবা মহৈ মশিংগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎকদবনি হায়খি।

বেঞ্চ অদুনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, অদুগুম্বা মীওইশিং অদু লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংনি। মখোয়দা লাইরিক তম্নবগী হক, ইমপ্লোয়মেন্ট অমসুং সমাজ অসিনা মখোয়বু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবগী হক লৈ।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা সৈলা জন কৌবা ট্রান্স জেন্দর অমনা পাউমীশিংদা ফোংদোকখিবা, কোর্ট অদুনা পীখিবা শকখঙবগী রায় অদু অফবা অমনি। অদুম ওইনমক থার্দ জেন্দরশিংদা সমাজ অসিনা ইহোৎকপীবদি ঙসি ফাওবা অদুমক লৈরি।

ইং ২০১৩ গী ওক্টোবর ২৯ দা কোর্ট অদুনা লাওথোক্লদবা রায় অদু রিজার্ব তৌদুনা থমখি। কোর্ট অদুদা ট্রান্স জেন্দরশিংবু থার্দ জেন্দর অমা ওইনা শকখঙনবা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকখি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা মায়কৈ কয়াদা য়েংবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুদা চপ মান্নবা হক অমসুং মখোয়বু ঙাক শেনগদবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

ট্রান্স জেন্দরশিংবু ঙাক শেনবা অমা ওইনা ইলেক্সনগী কার্দ, পাসপোর্ট, লাইসেন্স অমসুং রেসন কার্দ লোয়ননা ইন্সটিট্যুসন অমদা লাইরিক তম্নবগীদমক এদমিসন তৌবা, হোস্পিতাল, টোইলেট অমদি অতৈ অতোপ্পা মফমশিং শকখঙনবা ৱাফম ফোংদোরক্লি।

সুপ্রিম কোর্টতা থারকখিবা দরখাষ্ট অমনা ট্রান্স জেন্দরশিংবু ঙাক শেন্নবা অমসুং মখোয়গী হকশিং নুপা অমসুং নুপীশিংগা মান্নবা মওংদা ফংহন্নবা দাবী তৌরক্লি। বেঞ্চ অদুনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন কেস অদু হিয়ারিং চখরবা মতুং ট্রান্স জেন্দরশিংবু থার্দ জেন্দর ওইনা শকখঙনবা লাওথোকখিবনি। থার্দ জেন্দরশিং অদু নুপী নত্রগা নুপা নত্তে। মখোয়বু অতোপ্পা জেন্দর অমা ওইনা শকখঙদবনি। মখোয়দা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইবগী চপ চাবা হক ফংহনগদবনি। মীওইশিং অদু লাইরিক তম্বগী হক, ইমপ্লোয়মেন্ট অমসুং অতৈ অতোপ্পা হিরমশিংদা খুদোংচাবা পীগদবনি। কাংলুপ অদু নুপী নত্রগা নুপা নত্তে। মখোয়দা লৈবাক অসিগী সিটিজন অমা ওইবগী চপ চাবা হক অদু ফংহন্নবা সেন্টর অমসুং ষ্টেট সরকারশিংনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা খঙহনখি।

ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা রায় অদু ট্রান্স জেন্দরশিংগী ওইনদি অচৌবা খুদোংচাবা অমা ওইরগনি।

নেসনেল সার্ভিস ওথোরিটিনা থারকখিবা পেটিসন অদুগী হিয়ারিং চখরবা মতুং ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা শিংথানিংঙাই ওইরবা রায় অদু লাউথোকপগা লোয়ননা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টতা তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎকদবনি হায়না খঙহনখ্রে।

# লোক সভা মীখল ৱাখলগী ওইবা লাননি, ইমুং মনুংগী টি পার্টি নত্তে

**অমেথি, এপ্রিল ১৫ ঃ** লোক সভা মীখল অসি ৱাখল্লোনগী ওইবা লান্নি। ইমুং মনুংগী টি পার্টি নত্তে হায়না প্রিয়ঙ্কা গান্ধীনা ঙসি মচিন মৌপ্পা থোকপা বারুন গান্ধীদা এটেক চখবা অমা ওইনা ফোংদোকখ্রে।

পিয়ঙ্কা গান্ধীনা মহাক্কী মচিন মনাও থোকপা বারুন গান্ধীবু অরানবা লম্বী অমদা চৎখ্রে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা বারুন গান্ধীনা হন্না ৱাফম কয়া ফোংদোরকখিবা লৈখি। ৱাফম অদু অঙাংনি হায়না খনবগা লোয়ননা ঙাকপীরে হায়না ফোংদোকখি।

বি জে পি গী টিকেটতা মীরেপ ওইরিবা মৌপ্পানুপা চাউনা য়েংবদদি মহাক মশামক্তা লম্বা তৌনবা অমা ওইনা উরি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা প্রিয়ঙ্কা গান্ধীনা হায়, মীখল অসিদি ৱাখল্লোনগী ওইবা লানফমনি। ইমুং মনুংগী ওইবা ৱাফম নত্তে। মহাক্কী মখা তাবা অঙাং অমা ওইনা মহাকপু ঙাকপীবা ঙম্লোইদবদি নত্তে। মহাক্না অপাম্বদু তৌখিবা য়াই হায়খি। রাহুল গান্ধীনা মীরেপ ওইরিবা অমেথিগা হেক থংনবা সুলটানপুরদা বি জে পি গী টিকেটতা মীরেপ ওইবা মীশক অমনি।


# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং -২০

*ঙসিগী সাইন্টিফিক এজ অসিদা হিরম খুদিং সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙাক্তা চুমগনি হায়বসি চুমদুনা লৈরবসু সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়াদবা হিরমশিং লাল্লি, অচুম্বা ওইদে হায়রুবদি য়াদে। সাইন্সনা প্রুফ তৌবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈবা হিরমশিং মণিপুরদা অচুম্বা ওইনা লৈবা কয়া য়াওরি। মণিপুর কংলৈ লৈকোইপুং চীংলৈবাক অসিগী পুৱারীসু, হৌজিক হেক্তা সাইন্সনা প্রুফ তৌবা য়ারোইদবা মওং অমদা, মতমদুদা লাইগা মীগগী মরক্তা শাগৎখিবা লৈশেমলোনগী ৱারীনি। অদুবু কলমসিদা কংলৈপাক্কী ৱারী খজিক খজিক ৩৩ এদিদগী হৌরগা লৌখৎপনি। খৃষ্টগী মতুং হায়বদি ৩৩ এদি অসিদা মতমদুদা কংলৈপাক্কী কোন্নচক (কলি) কী কুমশিং (চহি) ৩১৩৫ শুরে। ৩৩ এ দি দা পানখিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ অসি নোংদা লাইরেন পাখংবানি। নোংদা লাইরেন পাখংবদগীনা নাউখম্বা ফাওবা নিংথৌ তরেৎ অসি মখোয় মখোয়গী শিন্থা লোয়রগা মাংখি। ৩৩ এ দি দগী ১৫৪ ফাওবা চহি ১২০ নিংথৌ ওইখিবা নোংদা লাইরেন পাখংবসি কমদৌনা কংলৈপাক্তা শাফোংলকখিবগে খঙমিন্নসি।*

*লোইয়ুম্বা (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) ঃ মহাকথক্তা শেক্তাদা শা থোকউ থোকপা, ঙা থোকউ থোকপা, থুম থোকউ থোকপা ফাল অমা লৈরে পাউ তাবদা নিংথৌনা মনাই থাদুনা ফালদু পীরকউ হায়রুবদা য়াদবদগী শাউদুনা মবাই অঙোম নিংথৌ থাদুনা শেক্তাগা লান শোক্নহনবদা শেক্তাগী লুচিংবা চকপা তাও অমসুং অংকেমতাওনচিংবা মী তরুক ফারকই। লোইবী হুকু খুল্লাকপনা চহিগী লোইপোৎ কারক্তবদগী নিংথৌনা ময়াম্বা খমলাং পামশাবা থাদুনা লান শোক্নহল্লি। লান্দা হাওকুরাং অমসুং সনথিনবা অনি ফারবদা হাওকু খুল্লাকপনা লাইপোৎ কারগে হায়বদগী থাদোকপীখি। চহি অদুদগী হৌনা মৈতৈ নিংথৌদা লোইপোৎ কাখি। লোইবী লৈহৌ চীংদা মনাইশিংনা লোইপোৎ থৌবা চৎপদা চাক চাগে হায়বদা পীজরক্তবদগী শাউদুনা নিংথৌ মশামক চৎলগা লান শোক্নদুনা লৈহৌ নিংথৌ খোমারেংবু ফারগা মখোঙ মখুৎ পুন্দুনা পুরকই। নোংদা লাইরেন পাখংবগা লাইস্নাগা অনিনা ফম্বাল কাবা নুমিত্তা শকখিবা মৈতৈগী লাইশোল ঈশৈ ঔগ্রীসু নিংথৌরোল শৈশক্তা পুন্না মহাক থক্তা শকপা হৌদোকখি। মপা মপু নিংথৌশিংগী হাক্তক্তগী চৎনরক্লিবা ৱায়েল থৌদা লৈঙাক পথাপনচিংবা অদুগী মথক্তা নোংচুপ লমগী চৎনবা অনৌবা চাওখৎ-থৌরাংগী পথাপ খরসু মহাকথক্তা হাপচিনখি। লাংমাই খাংহন অহনবনা পোকপী মমোম নোংবানলোন শুমলৈমবু মৈতৈ লৈমা হাপখি। মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা মৈতৈলৈমা শুমলৈমগা পান্নদুনা লোইতোংবা পোকই। মৈদিংঙু লোইয়ুম্বনা মৈতৈ লৈমা শুমলৈমগা চহি ৪৮ নিংথৌ ওইদুনা মনিং মখা তম্না পাল্লম্মী।*

# বি জে পি মীরেপ অমা অমসুং অতোপ্পা মীওই ৩০ শোক্লে




**চেন্নাই, এপ্রিল ১৫ ঃ** টামিল নাদুগী থানজাভুর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বগী থবক চখবা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী মীরেপ মুরুগানন্দম অমসুং পার্টি অদুগী অতোপ্পা মীওই ৩০ অশোক অপন নংখ্রে।

ভারতিয়া জনতা পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট পোন. রধাকৃষ্ণননা থৌদোক অদুবু অকনবা য়ানিংদবগা লোয়ননা ফোংদোক্লকখিবদা অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা পার্টি অদুগী ভোট খোন্নিবা মীওইশিংবু অকি অখং পোকহন্দুনা বি জে পি গী থবক থৌরমশিংদা নমথনবা হোৎনরি।

রধাকৃষ্ণননা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, বি জে পি গী মীরেপ ওইরিবা মুরুগানন্দম অমসুং পার্টি অদুগী অতোপ্পা মীওই ৩০ অশোক অপন নংখ্রে। লোয়ননা পার্টি অদুগী মীওইশিংনা শিজিন্নবা চাকা অনি পানবা গাড়ী ২০ সু এটেক চখরকখিবা মীওইশিং অদুনা অমাং অতা থোকহনখ্রে হায়রি।

লুচিংবা অদুনা হায়, চেন্নাইদগী কিলোমিটর ৩২০ লোম চৎলগা লৈবা থানজাভুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মালিপাটিনমদা ভোটকা মরী লৈননা কেম্পেইন চখরিঙৈদা লমদম অদুগী মশক খঙদবা মীওই কয়ানা এটেক চখরকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্দা মীখলগা মরী লৈনবা কেম্পেইন অদু চখনবা মাংজৌননা অয়াবা লৌখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা দরকার লৈবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিং কেম্পেইন অদুবু ঙাক শেননবা থারকখিদে।

মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বা হায়বসি গনতন্ত্রগী তঙাইফদবা মচৎ অমনি। অদুগুম্বা মীফম অদুদা মাংজৌননা ঙাক শেন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিদা হায়জখিবা লৈখি হায়রি।

চৈরকসিদা পি এম কে গী লুচিংবা অন্দুমানি রামাদোসনা ফোংদোক্লকখিবদা, মীখলগী মতম লাওথোকখ্রবা মতুং নেসনেল দিমোক্রেটিক এল্লাইন্স (এন দি এ) গী কেন্দিদেট অমসুং শৌগৎপা মীওইশিংদা তোয়না এটেক চখরকপগী থৌদোক থোক্লি।

পি এম কে গী কেন্দিদেট মশামক্তসু লমদম অদুদা ভোট খোম্বগী থবক চখরিঙৈ মনুংদা এটেক চখরকখিবা কয়া লৈখ্রে। অদুগুম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা রামাদোসনা ইলেক্সন কম্মিসন অমসুং লমদম অদুগী মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎনবা অমদি এন দি এ গী কেন্দিদেট অমসুং পি এম কে গী মীওইশিংদা চপ চাবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা হায়জখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং পুলিসনা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎখিদে হায়না মরাল শিরক্লি।

# ডাক্তর অমা মীওই ৩ না ফুবদা শিরে

**মিরুট, এপ্রিল ১৫ ঃ** উত্তর প্রদেশকী ইনচাউলি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা চহি ৪২ রোম শুরবা ডাক্তর অমা নুপীমচা অমদা নাতৈ চাদবা থৌওং চখখি হায়বগী মরালদা মীওই অহুম্না ফুবদগী শিরে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না নুপীমচা অদুগী অপোকপনা ৱাফম অদু ফোংদোরকপদগী লমদম অদুদা লৈবা নহা অহুম্না ডাক্তর অদুদা এটেক চখবদগী শোকপনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা ডাক্তর ইন্দ্রেস পরাসরগী ইমুং মনুংনা থাঙ্গৎলকখিবা এফ আই আর অমগী মতুং ইন্না মীওই অদুনা মহাক্কী ক্লিনিক্তগী হল্লকপগী লম্বীদা শিসু, রাহুল অমসুং মায়ক কৌবা মীওই অহুম্না য়োৎচৈ অমসুং চৈ শিজিন্নদুনা এটেক চখরকখি।

থৌদোক অদুদা ডাক্তর অদুনা মনাক নকপদা লৈবা জিমনাজিয়ম অমদা চেনশিন্দুনা মথ্বায় হিংননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক অরানবা তৌবা মীওইশিং অদুনা মহাকপু ফাবগা লোয়ননা তমথিনা ফুখি। তুংদা মহাক মফম অদুদগী নাহোৎতুনা চেল্লকখি হায়রি।

মতম খরা কান্নরবা মতুং পুলিসনা মফম অদুদা চংশিল্লকখি। শোক্লবা মীওই অদু মনাক নকপদা লৈবা নরসিং হোম অমদা লায়েংনবা পুখৎখি। অদুম ওইনমক ডাক্তরনা মহাকপু শিরে হায়না লাওথোরকখি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা চেন্নবা নিসু কৌবা মরাল লৈরবা মীওই অমা ফারে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অনি অদু ফাগৎনবা পুলিসনা থি হুম্বগী থবক চখখি।

ফাবা ঙমদনা লৈরিবা মীওই অদু ডাক্তর অদুনা নাতৈ চাদবা থবক চখখি হায়না ৱাকৎলকখিবা অশ্বিনি শর্ম্মগী মচানুপাশিংনি হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ডাক্তর অদুনা অশ্বিনি শর্ম্মগী ময়ুমদা চত্তুনা মীওই অহুম্না মঙোন্দা এটেক চখরকখিবা অদুগী মতাংদা কমপ্লেন তৌখি। নুমিৎ অদুদসু মীওইশিং অদুনা অমুক হন্না এটেক চখদুনা ফু চৈবগী থবক চখরকখি।

লৈখিদ্রবা ডাক্তর অদুগী ইমুং মনুংগী ৱারোল মতুং ইন্না ডাক্তর অদু হায়রিবা মীওই অহুম অদুনা য়োৎচৈ অমসুং চৈ শিজিন্নদুনা অকনবা মওংদা এটেক চখরকপদগী শোকপনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি। মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎপীননবা ইনচাউলি পুলিস ষ্টেসন্দা ৱাকৎলকখি।

লৈবাক অসিদা মরম অমা নত্রগা অমদা ডাক্তরশিংবু হরাসমেন্ট পীবগী থবক তত্তনা চখরি। লোয়ননা ডাক্তরশিংবু মরাল শিদুনা ফু-চৈবগী থবক কয়াসু চখরি হায়রি।

# এ এ পি গী কুমার বিশ্বাস অমেথিদা নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে



**অমেথি, এপ্রিল ১৫ ঃ** লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা আম আদমী পার্টিগী নোমিনি কুমার বিশ্বাস ঙসি অমেথি লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইননবগীদমক নোমিনেসন ফাইল তৌখ্রে। লোয়ননা মহাক্কী লন থুম লাউথোকখ্রে।

নোমিনেসন পেপর অদুদা পল্লকখিবগী মতুং ইন্না আম আদমী পার্টিগী মীরেপ কুমার বিশ্বাসকী লন থুম লুপা ক্রোর ৪ রোম লৈ হায়না ফোংদোরক্লি।

ঙসি কুমার বিশ্বাসনা নোমিনেসন ফাইল তৌখিবা মতমদা মহাক্কী লোয়নবী মঞ্জু শর্ম্মগী মিংদা লৈবা লন থুমশিংসু লাউথোকখি। এফিদেভিট অদুদা পল্লকখিবগী মতুং ইন্না কুমার বিশ্বাসকী মুভেবল এসেট লুপা ক্রোর ১.২৮ অমসুং মহাক্কী নুপীগী মিংদা লুপা লাক্ষ ৫৬ লৈ হায়না পল্লি।

লুচিংবা অদুগী রিশিকেশ অমসুং বাগুন্ধারাদা লৈবা ফ্লেটশিংগী মমল লুপা ক্রোর ১.২৯ ওই। অদুগা মহাক্কী নুপীগী মিংদনা লুপা লাক্ষ ৬৫.০৭ লৈ। মদু লৌ উনবা লমশিং য়াওরবনি হায়রি।

চহি ৪৪ শুরবা অইবা মীওই অদু রাজনীতিদা খোঙদারক্লি। মহাক পি ঐচ দি স্কোলার অমসু ওইরি। লোয়ননা মহাক্কী মখুত্তা লুপা লাক্ষ ১.৭৫ সু লৈ হায়রি। মহাক্কী লোয়নবা মঞ্জু শর্ম্মগী খুত্তা শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ১.১ লৈ। লুচিংবা অদুগী তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা একাউন্ট মরি অমদি লুপা লাক্ষ ২ রোমগী ফিক্স দিপোজিটসু লৈ হায়রি।


## WALLET LOST

I have lost my Wallet containing the following items, (i) Voter ID Card, (ii) Pan Card, (iii) LMS College ID Card, (iv) Licence, (v) ATM Card of SBI (Porompat) bearing A/C No. 30610705947 etc.

The said wallet was lost on the way in between Ithai Dam and Nongmaikhong on 11/4/14.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
**Moirangthem Robi Singh**
S/o.M. Sivananda Singh
Khongman Zone - II (East)
Contact No. 8575861404.

SL/C-3515/16

## 95 HP গী জেনরেটর অমা য়োঞ্জরি

৯৫ হোর্স পৱারগী রুস পুন ৬ ৱাই বি জেনরেটর (আর্মিচর ৮৫.৫) অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী থিকানা অসিদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু।

Manager,
Sanaleibak Daily
Contact No. 8414983727.

SL/B


# রাহুল গান্ধীনা অঙাং মানবা মওংদা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লি ঃ মোদি




**হজারিবাগ, এপ্রিল ১৫ ঃ** ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধীবু মীথাই পীজদুনা থেম্বা য়াবা অমদি অঙাং মানবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লি হায়না মরাল শিখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মীখলগা মরী লৈননা পাংথোকখিবা রেল্লি অমদা ফোংদোকখিবদা, বি জে পিদা মহাক্না য়েংনরুরবদি সৌরজগৎকুম্না সেনিয়ার ওইরবা লুচিংবা কয়া লৈরি। মহাক্তি অঙাং ওইরিবা মীওইনি। লোয়ননা বেলুন অমসুং মীথাই পায়দুনা শান্নগদবা মীশক্লি হায়না ফোংদোরক্লি।

রাহুল গান্ধীনা ঙরাং নরেন্দ্র মোদিনা তত্তনা হায়বা গুজরাটকী চাউখৎ-থৌরাংগী শক্তম অদু মীথাইগুম্বা মোদেলনি হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা হায়খিবদা লমদম অদুদা ইন্দষ্ট্রিয়েলিষ্ট অমসুং শেঞ্জাও পায়বশিংনা খুদোংচাবা ফংলি।

ঔরৌগঙ্গবাদকী একটর লিশিং ৪৫বু লুপা ক্রোর ৩০০ গা মন্তিক্লদুনা পীথোকখি। মদু গুজরাটকী মিথাই চাবগী মওংদা লৈবা মোদেল অমনি হায়না ফোংদোকপগা লোয়ননা হায়, লুপা অমা পায়রবদি মিথাই অমা ফংগনি। লমদম অদুগী মিটর অমদা লুপা অমা লৌদুনা য়োন্থোক্লে। মদু মরুওইনা লাইরবা লৌমীশিংগী লমনি হায়না রাহুল গান্ধীনা ফোংদোকখিবা লৈখি।

নরেন্দ্র মোদিনা পুক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইরবা ৱাফম অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী মায়োক্তা ৱা ঙাংখি। মদু মহাক্না কংগ্রেসপু মরাল শিবগী মওং অমনি। করিগুম্বা মতমদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরদা অকনবা ৱাফম হায়খিবা লৈতে। মদুগী মতুং ইন্না কংগ্রেশকী ইমুং মনুংশিংদসু অদুগুম্বা ৱাফম ফোংদোকপা লৈখিদে হায়না বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী মচানুপী অমনা হায়খিবদা, সঞ্জয়া বারুবু মমাংদা পুথোরক্লি। মদুনা তাকপদি মখোয়দা অশোনবা খরা লৈরে হায়খি।

গুজরাটকী চিফ মিনিষ্টর অদুনা কংগ্রেস পার্টিবু করেম্নদুনা হায়খিবদা, চখরিবা মীখল অসি লোইরবা মতুংদা পার্টি অদুনা পার্লিয়ামেন্টতা মখোয়গী রিপ্রজেন্টেটিভ কয়া লৈবগে হায়বদু অৱাংবা থাক্কী কেমেরা অমা শিজিন্নদুনা য়েংবা য়ারগনি। মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা পার্টিশিংগী মরক্তা অমনা অমবু মরাল শিবগী থবক কনখৎলক্লি।

কংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবা য়ু পি এ সরকারগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মনমোহন সিংহবু বি জে পিনা অশোনবা প্রাইম মিনিষ্টর অমনি হায়না কয়ারক হন্না ফোংদোকখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতুংদা কংগ্রেসকী লুচিংবা কয়ানা বি জে পি না সরকার পায়বা মতমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবা অটল বিহারী বাজপায়গুম লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী শোনবা প্রাইম মিনিষ্টর অমত্তা লৈখিদ্রি হায়না ফোংদোরক্লি। লোয়ননা খ্বাইদগী শোল্লে হায়রিবা প্রাইম মিনিষ্টর অদুগা মান্নবা মীওই অমত্তা ভারতিয়া জনতা পার্টিগী মনুংদা লৈত্রি হায়রি।

বি জে পি গী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইরিবা নরেন্দ্র মোদিনা রাহুল গান্ধীবু অকনবা মওংদা এটেক চখরদুনা হায়খিবদা, মহাক্তি অঙাংনি, বেলুন অমসুং মিথাই পায়দুনা শান্নগদবা মতমনি। মহাক্না ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অদু অঙাং মানবা মওং অমনি হায়না ফোংদোরক্লি। অদুম ওইনমক কংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগীসু চপ চাবা পাউখুম পীবগা লোয়ননা নরেন্দ্র মোদিগী গুজরাট মোদেল হায়বদু মীথাই পীজবগী মওংনি হায়না ফোংদোরক্লি।


KIME TUTORIALS
Regd. No. : 456/M/SR/2010
MtG BOOKS
An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE

| | |
|---|---|
| Class XI Foundation Course, 2014 | Classes Starting on : April 2014 |
| Class XII Foundation Course, 2014 | Classes Starting on : April 2014 |

Special Features :
• Printed probable questions & answers • Chapter wise well planned Printed study materials
• Regular test Series • Van service & Hostel facility are available

For more details contact Office of KIME TUTORIALS